হূয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAOÚ

# মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অহানবা ফাউন্দেসন দে

*- নানি*




মণিপুরী শুমাং লীলাগী নৌরিবা কাঙলুপ অমনি মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসন শমজিন্না মমি হায়না খঙনরিবা। কাঙলুপ অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ১৫ দা ওফিসিএল্লি শাফোংখিবনি। কাঙলুপ অসিনা শাফোংলকপদগী হৌনা তোপ তোপ্পা মশক অমা উদুনা লাকখি। শুমাং লীলা হায়বসিমক্তবু পুথোক্লিবা লীলা অদু কনাগুম্বশিংনা মমল পীদুনা কৌরগা মীয়ামদা উৎপা, লীলাদুনা মীয়ামদা অনৌবা মেসেজ অমা পীবা সিখকনি। কাঙলুপ অসিনা তৌরিসিনা লীলা উৎপদুগী মথক্তা সোসিএলগী ওইবা এক্টিভিটিজ কয়াদা শরুক য়ারকপা অসিনি। কাঙলুপ অসিগী মায়কৈদগী ওল্ড এজ হোমদা চৎতুনা মতম মতমগী ওইনা অহল লমনশিংদা তেংবাঙ পীবা, অহলশিংবু ৱাখল চাওথোকহনবা, লোয়নননা অতৈ ইস্যু কয়াদা য়াওশিন্দুনা সোসিএল রিফোর্মেসনগী থবক অসিদা খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনবা অসি কাঙলুপ অসিগী মায়কৈদগী উবা ফংলি।


হৌখিবা জুলাই ২৫ দা লূপ অসিনা চহী অমা মপূং ফারকপগী নীংশিং থৌরম অমা ক্যামগৈ হৈবোং মখোংগী কম্যুনিতি হোলদা লূপ অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবা খদাংবম ইনাওবগী য়ূমদা মপূং ওইবা থৌরম অহানবা ফাউন্দেসন দেগী ওবজার্ভেসন অমা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী ফোমেল থৌরমগী মাঙওইননা উ চারা মখল কয়া কোনুং মমাঙদা লৈবা লূপ অসিগী ওফিস মমাঙদা অচৎ অওকশিংদা য়েম্থোক্তুনা লমদম অসিদা হন্দক চাউনা মায়োক্লখিবা ঈশিং ঈচাউ থোরক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমশিং অমা ওইরিবা গ্লোবেল ৱার্মিংগী অমদি ইকো সিষ্টেমদা কায়রক্লিবা কয়া অসিদা তুং কোয়বা মিৎয়েং অমগা লোয়নননা উ চারা থাবগী হৈনবী অমা লৈননবা মীয়ামদা পাউজেল পীবা ওইনা য়েম্থোকখি। মসিমদি লূপ অসিগী য়াম্না শানবা তৌফম থোকপা মীৎয়েং অমগী থৌরাং-থৌশিল অমনি হায়না লৌবা তাই। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লূপ অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবা ইনাওবা অমদি এন নন্দকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, উ চারা থাবসি চহী খরগী মমাঙদগী লমদম অসিদা কন্না চৎনদুনা লাকই। চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা অঙম-অথৌশিংনা উ চারা থাবগী থৌরমশিং পাঙথোকই। তৌবতবু উশিং অদু মফম চানা থারিবরা অমদি হিংননবা করি থৌরাং লৌখৎপগে হায়বা অদুমদি পাউখুম লৈতবগুম তৌরি। থাখ্রিবা উ চারাশিং হৌরবসু ফীভম চাদবা থেংনরি। লোয়নননা অয়াম্বনদি হৌবা ঙমদনা অরেম্বদা মাঙলি। আর্টিষ্টশিংগী লূপ অসিনা মীয়ামদা হকথেংননা উ চারা অসি য়েম্থোল্লবদি মখোয় মশানা মশাগী ময়ূমদা থাজদুনা উ অদু শোয়দনা হৌনবগী থৌরাংশিং লৌখৎতুনা চেকশিন্না য়েংশিল্লগনি অদুনা চারা অমত্তা লেম্না মাঙলরোই হায়বা অসিনি। হোংলক্লিবা মতম অসিদা মালেম অসি অইং-অশা খেন্নরকপা, মদুনা মহৌশাগী ওইবা খোঙচৎতা অকায়বা পীরকপনা মালেম অসিদা হিংলিবা থৱায় পানবা পূম্নমকশিংদা অকায়বা পীরক্লি হায়বসিমদি নৌনা নীংশিংলুবগী থোইনা কান্নবা লৈত্রে। মীপুম তিংনা উ থাবগী হৈনবী লৈহন্নবা খোঙথাং অমা ওইনা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না মশাগী মপোক নুমিৎ অসিদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিমদি য়াম্না থাগৎনীংঙাই ওই অমদি তমজনীংঙাই ওইরি। উ চারা য়েম্থোল্লবা মতুংদা ফোর্মেল ওইবা থৌরম অমসু ক্যামগৈ হৈবোং মখোংগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লূপ অসিগী সিম্পেথাইজরশিং অমদি মরী লৈনবা কয়ানা শরুক য়াখি। দাইজদা ফমখিবশিংগী মনুংদা - লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট জোশেপ, লূপ অসিগী প্রদ্যুসরশিং - কে ঐচ ইনাওবা অমদি এন নন্দকিশোর লোয়নননা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম হেমন্তা, অতৈ শক্লাইবশিং - ডা. ধনবির লাইশ্রম (রাইটর/ সোসিএল সাইন্টিষ্ট), নরেন্দ্র নিঙোম্বা (দিরেক্টর), রঞ্জিৎ নিংথৌজা (রাইটর), টি ঐচ তোম্বী (এক্টর) অমদি টি ঐচ রুহিনিকুমারনি।

কাঙলুপ অসি য়াম্না নৌরি, হৌজিক ফাওবদা লীলা অনী - মন্ত্রিগী মচা অমদি থাজগী মঙাল হায়বা অসি পুথোকখ্রে। লীলা অনী অসি মীয়াম্না পাম্না য়েংনখি। অনৌবা ওইরবসু লীলা চৎপগী খোঙচৎ য়াম্না য়াংখি। মীয়াম্না লূপ অসিবু নিংথিনা মশক খঙখি। নৌনা হৌগৎলকপা ওইরবসু চাওদম থিন্দবা হম-হম চাওনা চখৎলক্লিবা লূপ অসিগী মখা তারকপা খোঙচৎ অসিদা খোঙলৌ-পল্লৌদনবা চেকশিন্না হোৎনবা মথৌ তারি।

এক্টর অমা হায়বসি শুপ্নতগী মাগী মাগী আর্টকী genre অদুদা পার্ফোমেন্স পীবখক্তা নত্তনা সোসিএল ইস্যুশিং অমদি সোসিএল চেলেঞ্জশিং অসিদা মণিপুরনা শরুক য়াফম থোকই। প্লে অমনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু নাখৈ শেংনা হায়রবসু মীয়াম্না মদুবু কয়া য়াম্না লুম্না লৌশিল্লিবগে হায়বদুদি হৌজিকসু ৱাহং ওইরি। মতাং অসিদা ওদিয়েন্স ফীদবেক অমা লৌদুনা নৈনবা মথৌ তারি। লীলা অমনা খুন্নাই অমবু শেংদোকই হায়না হায়বদা চাদা ১০০ য়ৌনা হায়বা য়াদ্রি। হৌজিক ফাওবদা পীরিবা পাউজেলশিং অসি মীয়াম্না মপূং ফানা লৌরবদি হৌজিক খুন্নাই অসিদা অশোয়বা অমদি নাতৈ হুক্তবা অমত্তা থেংনদবা য়াই। এন্টরটেনমেন্টনা কুয়োম ওইনা য়োল্লগা পীরিবা মেসেজশিং অদুগী মতিক ময়াই অদুসু এন্টরটেনমেন্ট ওইনা লৌরিব্রা নৎত্রগা মদুগী কান্নবা অদু মশাদা কয়া য়াম্না তুংহৌবগে হায়বসি নৈনবা য়াই। হীরম অসোমদা মমীগী আর্টিষ্টনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মনুংদা মীয়ামগা হীরম কয়াদা শন্নদুনা লৈবাক খুন্নাই অসিগী অৱা অনাদা অমদি অফবা তুংলমচৎ অমা শেমগৎপদা হকথেংননবা থৌশিল অসিমদি তশেংনা মমল নাইদে হায়না লৌবা য়াই। গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা এক্টরশিং মীয়াম্না শকখঙলবশিং অমদি নৌনা শক তাক্লিবা কয়ানি। টিম মেচিং ওইবা অমদি কোওর্দিনেসন লৈবা খুলাম্থোক অদুনা মীয়াম্না মখোয়বু রিকোগনাইজ তৌবা হৌরকপনি। অদুনদি লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না মাঙদা চঙশিন্নবা মিৎয়েং তাহন্দনবা হোৎনবা চঙলি।

"'Coming together is a beginning; keeping together is progress and working together is success" ৱাফম অসি মমিং লৈরবা অমেরিকান ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট হেনরি ফোর্দনা হায়খিবনি। মসি ঙসিদি মতম অসিদদি য়াম্না মরু ওইরক্লি। পূম্নমকশিং অসি ওইনবা হোৎনবদা লূপকী মপূং ওইনা থৌ পুরিবশিংনা চেকশিন্না য়েংদবা ওইরিবশিংগী মনুংদা - তৌগদবা থবকশিংগী ৱার্ক প্লান অমা শেম্বগা লোয়নননা কলেক্টিভ কম্মিটিমেন্ট অমা লৌমিন্নবা মথৌ তাই। লূপ অদুগী লিদর অদুনা মতম চানা হায়বদি পেরিওদিকেল্লি লূপকী প্রোগ্রেস য়েংবা, মান্নদবা ৱাখল্লোন লৈবশিং পাউ ফাওদোক্লবা হোৎনবা, লৈরিবা এক্টরশিং অদুগী শাজৎ, মিৎয়েং অমদি লমচৎ নিংথিনা চেক তৌবা, অনকোভর ইন্টরেষ্টিং স্যের তৌমিন্নবা, পাঙথোক্কদবা থবকশিং খেন্নবা ৱাখল্লোন লৈরবদি tweak programming শেম্বনচিংবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। হৈশিংনা ওল্লক্লিবা মতম অমদি য়াওলগী খুদুং ইন্দুনা করম্না খুমাঙ চাউশিন্না সমান-লেংমান্নবশিংগা চৎমিন্নবা য়াগদগে হয়বদু লূপকী মীপুম খুদিংনা পুকচেল তিংনা অমদি থৌনা লৈমিন্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। য়েংখিবা তারি লাক্কদবা মতমনা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনবু করম্বা ফীদা অমা পীরকপা হায়বদু।

## ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর্স (এ এম দি)





ওটিজম হায়বসি মীওইবদা অঙাং ওইরিঙৈদগী উবা ফংবা মী তীন্নবা, মীগা পাউ ফাওদোক-ফাওজিন, ঙাংন-শক্লবা ৱাবা নৎত্রগা ঙমদবগী ফীভম লৈবা ৱাখলগী কন্দিসন অমনি। -ৱাহৈ ফোঙদোকপা ঙমদবদগী ৱাহৈ নৎত্রগা খোঞ্জেল অমবু হঞ্জিন-হঞ্জিন পন্দুনা নৎত্রগা শীজিন্নদুনা লৈ। হায়বদা শেমদোকপা য়াদবা মওংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না উৎপা, তৌবা ঙাংবগী হৈনবী (রীপিটিটিভ বিহেভিঅর) চেল্লি। সিম্পটমশিং (লাইওং খুদম চাংদমশিং) য়াম্বা মরম্না মসিগী কন্দিসন অসিবু ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর (এ এস দি) হায়না খঙনৈ। মমা-মপা ওইবশিংনা মসিগী ফীভম অসি মখোয়গী অঙাংশিংদা মখোয়গী চহী অনীমুক শুরকপা অদুৱাইদগী উবা হৌরকই। মসিগী প্রোব্লেমশিং অসি লাক্লিবগী মরমদি ব্রেন দিভলপমেন্টগী মওং তোঙানবদগীনি হায়না ইশম শম্না হায়বা য়াই।

নুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়গী ব্রেননা ঐখোয়না উরিবা, মনম নল্লিবা, তারিবা, মহাও তংলিবা, শোক্লিবা অমসুং থেংনরিবা খুদিংমক খঙজিল্লি (ইন্টরপ্রিট তৌই)। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বগী ব্রেননা অসিগুম্বা পোৎশিং অসি খঙবা ঙমদ্রবদি ৱা ঙাংবা, তাবা, ৱাখল তাশিনবা অমসুং মহৈ-তম্বগী ৱাখলনা লৌশিনবগী ফীভমদা অকায়বা লাকই।

অঙাং অমদা ওটিজমগী খুদম চাংদমশিং খরা থেংনা (তপ্না, শোন্না), কন্না নৎত্রগা ময়াই ওইরক কন্না উৎথোরকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং য়াম্না কনবা ওটিজমগী খুদমশিং উৎথোরকপা অঙাংশিংদি করিগুম্বা অমা খঙহনবদা অমসুং নুংতিগী ওইবা থবক ইনখাংশিং তৌহন্নবা শিন্নবদা মতেং অদুক্কী মতিক পাংবগী তঙাইফদবা লৈ। ওটিজমগী ফীভম লৈবা অঙাংশিংনা অতৈ অঙাংশিংগুম্না ইরাই লায়না মীগা পাউ ফাওনবা ঙমদে। খুদম ওইনা মীনা নোকপা মতমদা নহাক্লা মখোয় হরাওরে নৎত্রগা মরুপ মপাংগী মতৌনি হায়বা খঙই। মীনা অশাওবা উৎলকপা মতমদসু নহাক্লা মখোয়গী মমায় য়েংলগা নৎত্রগা খোঞ্জেল তারগা নহাক্লা খঙবা ঙমই। তৌইগুম্বসুং ওটিজমগী ফীভম লৈবা কয়াদি হায়বদি ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর্স লৈবা অঙাংশিংদি পুক্লিংগী ৱাখল (ইমোসন) করিনো অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা করি খল্লিবগে হায়বা খঙবা ৱাই। মখোয়দি মী অতৈনা তৌবা মহৌশাগা মান্নদবা মওং অমদা তৌথোরকপা উৎথোরকপা য়াই। মখোয়না অদুম্না তৌরিবা করিগীনো হায়বসি খঙবদা অৱাবা ওইরি।

সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদা ওটিজম করম্না লাক্লিবনো?

কনামত্তনা ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর্স লাকপগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সাইন্টিষ্টশিংনা জিনেটিক্সকা (হায়বদি অঙাংদগী জিনশিংগা) অমদি ইনভাইরনমেন্টগা মরী লৈনৈ হায়না খন্নবসু য়াওই। অঙাং খরদি মখোয়গী ইমুংদা ফীভম অসি তৎন-থানদনা য়াওবদগী মখোয়দা উরিবনি হায়না লৌনৈ। অতৈ অঙাং খরদি ইমুংদা অসুম্না তৌবগী হিষ্ট্রি লৈত্রবসু ফীভম অসি উথোকপা য়াওই।

অসিগুম্বা ফীভম লৈবা অঙাং অমদা ঙন্না মতেং পীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ফীভম অসি মমা-মপাশিংনা হান্না খঙগনি। চহী মতাং য়ৌরবসু ৱা ঙাংথোরক্তবা, অতৈ অঙাংশিংগা শান্নমিন্নবগী মওং উদবনচিংবা খঙবীগদবনি। ওটিজমগী লায়েংদা স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা টিম অমা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা প্রোব্লেম অমা তশেংনা লৈবা তারবদি মদু খঙদোক্লবা হোৎনৈ। দোক্তরদা নৎত্রনা টিম অদুদা সাইকোলোজিষ্ট, স্পীচ থেরাপিষ্ট, ওকুপেসনেল থেরাপিষ্ট অমসুং ওজা য়াওই।

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### এলভিশ প্রেশলী




মালেমদা মমিং লৈখিবা মশক মতৌ চংখোল্লবা ম্যুজিস্যন অমসুং এক্টর এলিভিশ অরোন প্রেশলী কুমজা ১৯৩৫ গী জান্যুৱারি ৮ দা যু এসকী টুপেলো, মিসিসিপিদা পোকখি। প্রেশলী অসি ফাইবোক মচিন মনাও ওইরমগদবনি তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মচিন মনাও ওইবা জেসি গারোন শিনা পোকখি। অৱাবা শেল-থুমগী নাতৈ চাদবা ইমুংগী মচা অমা ওইনা হৌরকখিবা এলিভস প্রেশলী রোক এন্দ রোলদা খ্বাইদগী মমিং চৎপশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি।

লান্নীশিং ওইবা মমা-মপানা লুনা চান্না তৌদুনা য়োল্লকখিবা প্রেশলী ইমুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইদুনা মফম অমদগী মফম অমদা তোইনা ময়ুম হোংখি। প্রেশলী মমা-মপাবু য়াম্না লুনা খঞ্জবা অঙাং অমা ওইরম্মী। মরু ওইনা মহাক্লা মমা গ্লেদিজবু য়াম্না লুনা খল্লম্মী অমসুং মমানা মহাকপু লাই-তীনদা ফজনা থাজবা থমহনখি।

প্রেশলীনা এসেম্বলি ওফ গোদকী চর্চতা মহাক্কী মমা-মপাগা লোয়নননা চৎখি অমসুং মফমদুগী গোসপেলগী ঈশৈনা মঙোন্দা অচৌবা ঈথিল অমা পীখি।

প্রেশলীগী অহানবা গীতার অদু মমানা মহাক্কী ১১ শুবা বার্থদেদা (১৯৪৬) খুদোল ওইনা পীখিবনি। মদুগী মতুং ইন্না চহি খরা লৈরগা প্রেশলীনা মহাক্কী অহানবা ম্যুজিক্কী লমদা মায় পাকপগী মহাও তংখি। মেমফিজদা লৈবা হ্যুমস হায় স্কুলদা পাংথোকপা ঈশৈগী টেলেন্ট সো অমদা মহাক্লা মকোক তাখিবনি। কুমজা ১৯৫৩ দা গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুংদা মহাক্লা হিংনবগীদমক্তা শেল থোক্লবা হোৎনবদা মখল-মখা কয়াগী থবক ইনখাংশিং শুখি। মহাক্লা শেল থোক্লবা থবক শুনা-শুনা ঈশৈগী লমদা মীংচৎ থম্বগী মঙ অদুদা লেপ্পুনা মঙখি।

মহাক্কী অহানবা দেমো রেকোর্দ অদু চহিমুক লৈরগা সন ষ্টুদিও হায়না মমিং চৎলকখিবা ষ্টুদিও অদুদা নমখি। তুংদা রেকোর্দ লেভেল মপু সাম ফিলিপনা নহা ওইরিবা পর্ফোমর প্রেশলীবু ষ্টুদিও অদুগী ওইনা লৌশিন্নবা লেপখি। প্রেশলীগী অহানবা সিঙ্গল "দেটস ওল রাইট" ১৯৫৪ দা ফোংখি।

কুমজা ১৯৫৫ গী প্রেশলীনা মহৌশাগা মান্নদবা ম্যুজিকেল ষ্টাইল অমা পুথোক্তুনা ফেন মরাং কায়না লৈরকখি। মহাক্কী মশক-মতৌ ফজবা, ফিজেৎ-চাকচেৎ লু-নানবা, ফেসন য়াওবা অমসুং পুংনৌ নৌবা মীয়াম্না অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওং অমদা মনিং (মথুন) লৈ-লৈদুনা পফোর্ম তৌবা অদুনা অয়েংবশিংবু নুংঙাইহনখি অমসুং পেলহনখি।


প্রেশলীগী অহানবা নম্বর ৱান স্কোর তৌবা সিঙ্গল অমসুং অহানবা নম্বর ৱান এলবম "হার্টব্রেক হোটেল" না ওইখি। মতমদু ১৯৫৬ তনি। চহিদুমক্তদা মহাক্লা পেরামাউন্ট পিচর্সকা মুভি কোনত্রেক্ট অমসু সাইন তৌনখি। মহাক্কী সেক্সী দান্সশিংনা মীয়াম্বু মথুম-মরাং হৌহনবতা নত্তনা প্রেশলী অসি টেলিভিজনগী ভেরাইটি সো কয়াদসু মীয়াম্না পাম্নরবা গেষ্ট অমা ওইরকখি। ম্যুজিক অমসুং এক্টর অমা ওইনা থবক তৌদুনা য়াম্না থুনা রেদিও, টেলিভিজন অমসুং সিলভর স্ক্রনদা প্রেশলী ঙাক্তা ঙাইরকখি।

মায় পাকপা কয়াগী মরক্তা কুমজা ১৯৭৭ কী ওগষ্ট ১৬ তা মশাগী চহি ৪২ দা প্রেশলী হার্ট ফেল ওইদুনা শিখি।

## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং: করিগী হরাউবা , অৱাবা ফাওরিবনো ?

ঐখোয়না হকচাং নাবা অমসুং নুংঙাইবগী ৱাফম খন্নরকপা মতমদা মখোয়সি করম্না লাক্লিবনো করম্না ফাওরক্লিবনো হায়না নোংমতা হংলুদে। অদুবু নাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা হায়বসি ঐখোয়গী অকোইবগী ফীভমদা ঐখোয়গী হকচাংনা পীবা রিএক্সন অমনি হায়না ইশম শম্না লৌবা য়াই। খুদম ওইনা নহাক্কী নখুৎতু থাংনা শোকপা তারবদি মদুদা ফাওরিবা অনাবদুনা নঙোন্দা মথংদদি থাং পায়বদা চেকশিন্নবা খঙহল্লি। তৌইগুম্বসুং পুক্লিংগী ঈহুল অমা লাকপসিনা ঐখোয়দা করি কান্নবা পীরিবগে? থাংনা শোকপা মতমদা ঐখোয়দা নাবা ফাওবদগী ঐখোয়গী ৱাখলনা ঐখোয়দা চেকশিন্নবা খঙহল্লি। অসুম্না পুক্লিংগী ঈহুলনসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অদু ওইবা তারবদি ঐখোয়না করিগীদমক্তা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনগদৌরিবা করিগীনো? মরমদি পুক্লিংগী ঈথক ঈহুলনা ঐখোয়দা নাবা ফাওরবদি ঐখোয়দা নুংঙাইতে হায়বদু খঙহল্লকই। করিগুম্বা ঐখোয়দা পুক্লিংগী ঈহুল য়াওরমদবা ওইরবদি ঐখোয়না অকোয়বদা থোক্লিবশিং অসিগী মরমদা করিসু থৌশারল্লোই। ঐখোয়গী পুক্লিংনা ঐখোয়দা পামদবা ফীভমশিং নীংশিংহল্লি অমসুং মথংদা থেংনদনবা নৎত্রগা থোকহন্দনবা খঙহল্লি। নুংঙাইবা অমসুং অৱাবনা ঐখোয়গী ৱাখলদা চঙখিদুনা ঐখোয়দা নুংঙাইবা নৎত্রগা অৱাবা ফীভমগী মরমদ হঞ্জিন হঞ্জিন নীংশিংহল্লি। মসি হকচাংগী নুংঙাইবা অমসুং অৱাবগা চপ মান্নৈ। পুক্লিংগী অনাবনসু, ঐখোয়দা নুংঙাইতবা ফীভমদুদা অমুক হন্না চঙশিন্দনবা ৱার্নিং তৌই। পুক্লিং নুংঙাইবনা ঐখোয়দা নুংঙাইবদু অমুক হন্না ফাওহন্নবা খঙহল্লকই। ঐখোয়গী ৱাখল অমসুং পুক্লিংদা ফাওরিবশিং অসি অতৈ নত্তে ঐখোয়গী হকচাং মনুংদা থোক্লিবা কেমিকেল রিএক্সনশিংনি। ঐখোয়গী পুক্লিংগী ঈহুল খুদিংমক ঐখোয়গী হকচাংগী মনুংদা তাংদাংবা হোর্মোনশিং থাদোক-পদগী ওইহনবনি। হোর্মোন খরনা ঐখোয়বু নুংঙাইবা পোকহল্লি অদুগা অতোপ্পা হোর্মোন খরনা ঐখোয়দা অৱাবা পোকহল্লি। মতাং অসিদা য়াম্না মরু ওইবা হংবা য়াবা ৱাহং অমদি কনাগুম্বা অমনা মশাদা য়াওরিবা নুংঙাইবগী হোর্মোনশিংদা এলর্ট পীদুনা মহাক্লা মতম পুম্বদা নুংঙাইনা লৈবা য়াদবরা হায়বসিনি। তশেংনমক মদু য়াগনি, তৌইগুম্বসুং নহাকনা খঙগদবদি প্রোব্লেমশিং অদুগী হৌরকফমদু নীংথিনা দিল তৌদবা ওইরবদি নহাক্কী নুংঙাইবদু মতম কুইনা চঙলোই। খুদম ওইনা নহাক্লা নহাক্কী খ্বাইদগী লুনা তিন্নবা মীশক্তুগা খৎনবা তারবদি ফীভমসিদা নহাক্লা নুংঙাইবগী হোর্মোনশিংদা ইনোৎ পীবনা অতেনবা মতমগী ওইনা নুংঙাইবা পোকহল্লম্বদি য়াই তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা অৱাবা ৱাখলদা অমুক হল্লক্কনি। মরম অদুনা হোর্মোনশিং অদুনা নহাকপু মতম শাংনা নুংঙাইনা থম্বা ঙল্লোইদবা ওইরবদি করিগীদমক্তা মখোয়বু ষ্টিমুলেট তৌগদৌরিবনো? মদু তৌগ-দৌরিবদুগী মরমদি প্রোব্লেমশিং অদু সোল্ব তৌদ্রিঙৈদা অনাবা, নুংঙাইতবা ফাওরিবদু ফহন্দুনা ঈংনা-চিক্না ৱাখল মকা লাম্না লৈবা য়ানবনি।

## থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- অলবর্ট আইষ্টাইন লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী ব্রেন হাংদোক্তুনা য়েংবদা অতৈ-অতোপ্পা মীওইশিংগা থোইনা খেন্নবা লৈরমদে। তৌবতবু মেঠমেটিক্স অমদি স্পাসিয়ল পর্সেপশনগা মরী লৈনবা ব্রেনগী শরুক অদু আইনষ্টাইন্না অতৈ মীওইশিংদগী খরা হেন্না চাউরম্মী।
- মতৌ অসুম্না ভ্লাদিমির লেনিন শিরবা মতুংদা সাইন্টিষ্টশিংনা মহাক্কী ব্রেন হাংদোক্তুনা য়েংলম্মী। মদুদা ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমদা ন্যুরোন হেন্না য়াওরম্বা থেংনখি।
- নোর্দন ইংলেন্দগী য়ুনিভর্সিটি ওফ য়োর্কতা হন্দক চহী ২০০০ রোম শুরবা ব্রেন অমা থেংনখি। মদুনা মালেমদা খ্বাইদগী লিরবা ব্রেননি।
- অর্কিওলোজিষ্টশিংনা থিজিনবদা খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ২০০০ রোম ৱাৎলিঙৈদদি স্কলদা হূৎতোক্লগা ব্রেন সর্জরি তৌরমবগী খুদম ফংখি।
- মীওইবগী সেন্স খুদিংমক ব্রেনগী অকক্লবা মফম অমগা মরী লৈনৈ হায়বা স্কোটিস সর্জন হর্মান রোসচেকনা থেংনরকখি। মীওইবনা মনম খঙলিবা, উবা ঙল্লিবা, মহাউ খঙলিবা, মখোল তারিবা অমসুং পোৎশক অমদা থেংবদা পোৎ অদুগী মওং-মতৌ খঙলিবা পুম্নমক ব্রেনগী তোঙান-তোঙানবা মফমগা মরী লৈনৈ।
- চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক ওইনা পুথোরকপা পেরাসিটামোলবু কুমজা ১৯১৫ গী মমাঙদা দোক্তরগী প্রেস্ক্রিপশন য়াওদ্রবদি লৈবা য়াহল্লমদে।
- শুন্দ্রংদা অচৌবা ৱাটর রিজর্ভর অমা কোয়পাই পাইদুনা লৈ। মদুদা য়াওরিবা ঈশিংনা মালেমগী অপুনবা ঈশিংদগী শরুক ট্রিলিয়ন ১৪০ রোম য়াম্বা হেল্লি। ইটলিগী নেপলসতা ইলেনা দি এঞ্জেলিস কৌবা নুপী অমনা লুহোংবদা মাইল ১.৮ শাংবা ফীজোল অমা শেৎখি। থা কয়া চঙনা তূখিবা ফীজোল অদু থাংবদা মীওই ৬০০ চঙলম্মী।
- চাংচত্তা মীওইবা অমনা মপুন্সিদা থবক শূবগী মতম অসি চাউরাক্লা চহী ১০.৩ রোম্নি। চহী ৯.১ টেলিভিজন য়েংবদা, চহী ১ ৱাইরম শীৎ-শেংবদা, চহী ৫ থোং-থাকপদা, চহী ৩.৬৬ চাবা-থকপা অমসুং চহী ১.৫ বাঠরূম চঙবদা হৌখি।

## উ: ইহাক্তং পোখাবা য়াব্রা য়েংশি

*খোমজিনবা, লেংজবা -*
**য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার**

### ফি অমোৎপা কয়াম লৈরে

মমা মশক ফজবীগী মচা নুপী অঙাং অমা স্কুল কাবা খুদিংগী ওজা তামো রনধির কুমারগুম্বা অমনা সুম খায়বা জাৎনি নুংতিগী। নোই মমা কৈদৌহৌই চাক মমানা থোংব্রা মমা কেরগা লৈহৌব্রা নোই মমাদো ওজানা নুংঙাইরিব্রা হংলকই হায়য়ু হায়বনচিংবা, অঙাংদুনা ময়ুম হনলগা মমাদা পাউ অদু তল্লম্মী। নুংতিগী সুম হেঞ্জিল্লকপদুদা মমা-মপা অনীদুনা অমুক হন্না চগৎলক্তনবা ৱা খন্নরম্মী।

নোংমদি ওজাদুনা ফোন নম্বর ইরগা অঙাংদুদা পীরম্মী, মমাদা পীয়ু হায়না। অঙাংদুনা নম্বরদু মমাদা পীরম্মী। নোংমা মপুরোইবা লৈত্রকান মমাদুনা মোইগী মীনাইদো ছুটি থাদোকখ্রগা ওজাদো কোল তৌরগা কৌরম্মী য়ুমদা লাক-ও হায়না, ওজাদো হরাউ-হরাউ স্কুলগা চত্তখৈ নুপীদুগী ময়ুমদা চৎলম্মী। ওজাদো মমাদুনা ৱেলকম তৌরম্মী। অদুগা ইমুংদা ফম্মিন্নরগা ৱারী শান্নরম্মী। তাঞ্জাদুদা মপুরোইবদো অরুবা থবক অমগী ৱা তান্নবা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী।

নুপাদো হল্লকপদুদা পাখৎতুনা ওজাদুদা হায়রম্মী ঐ নুপা হল্লক-এ কমায় তৌদোইনো ঐবো। নুপীদুনা আইদিয়া অমা হায়রম্মী ওজা নঙ সুমাই তৌরো ঐখোয় মীনাইগী কাদা চঙলগা মাগী মফি-মরোলদো শেৎলগা বাঠরূমদা ফি শুজিন্নরগা লৈয়ো নমায়দো মনিংলোমদা ওল্লগা লৈয়ুকো হায়রম্মী। ওজাদুনসু য়ারম্মী। মোই মতৈ-মনাও ফনা কুইনা ৱারী শানরগা ফম লৈরম্মী। মাই নুপাদো ফনা কুইনা লৈরবা মতুংদা চৎখ্রে। অদৈদি ওজাদুসু অদুম পাখৎতনা চৎখ্রে। হপ্তা ১/২ হৌখ্রে। ওজাদো অঙাংদা মমাগী মরমদা হংবা তোকখ্রে। হন্দক্তি মমাদুনা ওইনা মচাদুদা হায়রম্মী বেম্মা নোই ওজাদো মমানা নীংশিংলকই হায়য়ু। অঙাংদুনা ওজাদুদা হায়রম্মী ওজা মমানা নঙ নীংশিংলকই হায়রকই। ওজাদুনা শাউরপ্লা অঙাংদুদা হায়রকই। নোই নমাদা হায়য়ু ঐ হোমো নত্তে অদুগা হন্দক্লা ফি অমোৎপা বোরা কয়াম লৈরে...!!!

*- গোনো কোন্সম*